# দিনেস কার্তিক্কী সেঞ্চুরিনা টামিল নাদুনা বিজয় হজারেগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ ঃ

মফম অসিদা ঙসি শান্নখিবা বিজয় হজারে ত্রোফিগী ফাইনেলদা সেনিয়র প্রো দিনেস কার্তিক্না সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়ননা মহাক্কী টিম টামিল নাদুবু ত্রোফি অসিগী মপু ওইহনবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা টামিল নাদুনা বেঙ্গলবু রন ৩৭ তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। নেসনল ৱান দেদা টামিল নাদুনা বেঙ্গলবু মায়থীবা পীরম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি। মমাঙদা কুমজা ২০০৮-০৯, ২০০৯-১০ দা মায়থীবা পীখ্রবা মতুং হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি।

কার্তিক্না য়াম্না হৈশিংনা রন ১১২ লৌদুনা টামিল নাদুবু ওভর ৪৭.২ মায়োক্লখিবদা রন ২১৭ য়ৌহনখি। টামিল নাদুগী বোলর মোহম্মদ সামিনা ৱিকেট ৪ লৌখি। অশোক দিমদানা ৱিকেট অহুম লৌবা ঙমখি।

দিনেস কার্তিক্না পূন্না মেচ অদুদা বাউন্ দরি ১৪ য়ৈখি। ঙসিগী মেচ অদুদা টামিল নাদুনা লৌখিবা অপূনবা রন ২১৭ অদুগী চাদা তঙ্খায় অমা হেনবগী শরুক্তি দিনেস কার্তিক মতোমতনা লৌখি। অদুম ওইনমক বেঙ্গলগী বোলরশিংনা দিনেস কার্তিকপু আউট ওইহন্নবগীদমক হৈশিংলবা বোলর কয়া শিন্দোক্তুনা শান্নহনখি।

টামিল নাদুনা বেঙ্গলবু অহুম্লক শুবা ওইনা মায়থীবা পীদুনা বিজয় হজারে ত্রোফিগী টাইটল লৌখিবা অসিনা বেঙ্গলগী টিমদা অচৌবা নীংবা কায়বা অমা ওইখি।

# ফুটবোলগী মেচ ওফিসিএলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ থা অসিগী ২৪ দগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিম মরি অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশননি।

টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোক্ননবগীদমক মেচ ওফিসিএল ৯ খনখ্রে। খল্লবশিংদি মেচ কম্মিস্নরদা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফ্রিদা ৱাই ইঙোবী, পি ঐচ লনথোইবা, টি রঞ্জিতা, এল রোজিৎ, ঐচ মহেশ, ঐচ অমরজিৎ, অনুসখান অমসুং ৱাই হেমন্তনি। খল্লবা ওফিসিএলশিংনা থা অসিগী ২৩ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎরোয়দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৩ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচ ওফিসিএলশিংসু খনখ্রে। খল্লবশিংদি মেচ কম্মিস্নরদা কে এস ঐচ সরতচন্দ্র অমসুং এস জেমস কুমার, রেফ্রিদা এল অজিৎ, এল প্রিয়োবর্ত্তা, ইবুংঙো, সুরেস, লনথোইবা, অরুনকুমার, রোজিৎ, তোম্বী অমসুং আনন্দনি। খল্লবশিংনা থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অস্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# দিগেন্দ্র প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশনগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মিটিং হৌখিবা মার্চ ১৯ গী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা দি এম কোলেজদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অদুদা ও দিগেন্দ্রবু এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

এসোসিএশন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ঐচ রাজেন্দ্র, এন জি ব্রজকুমার অমসুং জি প্রফুলো খনখ্রে। সেক্রেটরিনা এস চন্দ্র শর্ম্মা, জোইন্ট সেক্রেটরিনা এম নোরেন, এস শ্যামানন্দা, এন কেনেদি অমসুং ডা. এম সুভাকান্তা খনখ্রে। ত্রেজরর ওইনা আই চন্দ্রসেখর খনখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৫

1. ক্রিকেট শান্নরোয় Steve Waugh কোলকটাদা লৈবা করম্বা চেরিটি হাওস অমগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনবগে?
2. প্লেন কায়বদা শিখিবা খা অফ্রিকাগী ক্রিকেট কেপ্তেন অদু কনানো?
3. এলাংবম ইবোহল সিংহ ফুটবোল শান্নবগা মরী লৈনৈ। নহাকপম মনি সিংহনা করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?
4. Sherlock Holmes করম্বা মার্সিয়েল আর্টতা হৈথোই শিংথোইবগে?
5. মহাক্না নূং হুনবদা হেন্না শান্নবা অনৌবা খুৎলং (Technique) অমা পুথোক্তুনা ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০ শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচএন এস) : টিঐচ বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) তাওবুংখোক্না শিন্দুনা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সী ইম্ফালনা মুশা হৈঙাং গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৯ না গ্রুপ ৩ দা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এফ সী ইম্ফালগী অহানবা গোল এল ইতোচানা মেচকী তরুকশুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মহাক্না অমুক হন্না মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল এন জি সঞ্জিৎনা মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা অদুগা টি ঐচ কৃষ্ণনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৬২ শুবা মিটিতা চনখি। মুশাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু পুনম্ন। মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি।











